# ষণবীদা য়াম্না তোয়না থেংনবা লায়না - খোমদা হৌবা

ডা: সরাংথেম জেস্মারাণী



**ষণবীশিংদা** য়াম্না তোয়না নাগনবা লায়না কয়াগী মনুংদা খোমদা হৌবা হায়বসিসু অমনি। লায়না অসি মরুওইনা শঙ্গোম থোকপী ষণবীশিংদা নাগল্লি। হায়রিবা লায়নাসিনা নারক্লগদি শঙ্গোম থোকপগী চাংসু হন্থহল্লি মসিদসু নত্তনা শঙ্গোম অমদি শঙ্গোমগী পোৎথোকশিং য়োনবা য়াদ্রবনিনা শেল থুমগী ফিভমদা য়াম্না শোকহল্লি। মরমসিনা ষণ লোয়বীরিবা ষণবুশিংনা শেন্থোক লৈনা ষণ লোয়বীগে হায়রবদি লায়নাসিদগী ঙাকথোক্লবা হোৎনবীগনি।

**লায়না করম্না শন্দোরকই :**

লায়নাসি বেক্টেরিয়া মখল কয়ামুক্না থোকহল্লি। হায়রিবা বেক্টেরিয়া অসিনা শঙ্গোমদা য়াওরক্তুনা মদু চারু-থক্লুরগা হকচাংদা অকায়বা কয়া অমা পীরি। করিগুম্বা মতমদসু কোকফাই শুজা মখল খরনসু খোমদা হৌবগী লায়োং উৎলকই। খোমদা হৌবসি ষণগোলদা লৈরিবা ষণবী অমগা অমগা লৌনরকপসু য়াই মসিদসু নত্তনা অকোয়বগী ফিভম ফৎচিল্লক্তবা, মশা মোৎশিল্লকপদা লায়না অসিসু লাকই। খোমদা হৌদুনা লৈরিবা ষণবীগী খোম নৎত্রগা খোমজিন্দা নপুনা লৈরিবা মহিক ময়ামসিনা শঙ্গোম শুন্বা মতমদা ষণবী অমদগী অমদা শন্দোরকই। মহীকশিংসিনা ষণবীগী খোমজিন্দা, উনশাদা অমদি খোমজিনগী মরী মনুংদা পূন্না লৈদুনা লায়ওং অসি থোরকই। মদিসু নত্তনা অকোয়বগী ফিভম ফৎচিল্লক্তবা মোৎশিল্লকপনসু হায়রিবা লায়না অসি থোকহল্লি। করিগুম্বা মতমদা ষণবীদুনা লৈরিবা ষণগোল অমদি মমা পোত্থানবা থারিবা চরুশিংদু মোৎশিল্লক্লগাদি লায়নাসি শন্দারকপগী চাং য়াম্না ৱাংই। মসিদসু নত্তনা ষণবী মশামকসু লু-নান্না থন্বীবা দরকার লৈ। মশা মোৎলগাদি শঙ্গোম শুন্বা মতমদা খোমজিনগী মরীদা মহীকশিংদু চঙখিবগী চাং য়াম্না ৱাংই। মহীকশিংসিনা চঙখ্রগা মচা মথং মথং পোকথোরক্তুনা মশীং য়ামখৎলকই। মহীকশিং অসিনা শঙ্গোম শুন্লিবা মীগী মখূৎ, ষণগোলগী চরু-চনাই লৈমায় অমদি ফক্লাংনচিংবদা পক্তুনা লৈহৌই। মসিদগী মশা ফবা ষণবীশিংগী শঙ্গোম থোরকফম মরীদা চঙখিদুনা লায়না অসি নারকপা য়াই অমদি মপূং ফানা শঙ্গোম শুমদোকপীহৌদ্রবা লেমহৌদুনা লৈহৌরগদি শঙ্গোমশিং থনজিল্লক্লগা খোমদা হৌরকপা য়াই।

লায়নাগী লায়ওং : লায়নাসিগী লায়ওং অনী থোকপা য়াই -

ক) লায়ওং উৎথোক্তনা খোমদা হৌবা :

করিগুম্বা মতমদা ষণবীগী মশাদা নাবগী লায়ওং অমত্তা উৎপা তৌদনা শঙ্গোম থোকপগী চাংসি চাদা ২০ মুক্কী চাংদা হন্থরকপা য়াওই। শঙ্গোমদু চাংয়েং তৌবা মতমদা খোমদা হৌবগী মহীকশিং য়াওবা থেংনৈ। মসিবু লায়ওং উৎতনা খোমদা হৌবা হায়না খঙনৈ।

**খ) লায়ওং উৎথোক্তনা খোমদা হৌবা :**

মসিদা মখল অহুম থোক্লা খায়দোকপা য়াই -

১) অহানবা য়াম্না থুবা মওংদা নারকপগী লায়ওং

অহানবদা, নাবা হৌরকপদা মশা নীল্লকপা, মশা শাগৎলকপা, লাইহৌ য়াওরকপা, নুংশা শ্বর নীংথিনা হোনবা ঙল্লক্তবা, চানিং থক্লিংবা ফাওরক্তবা, শগুপ শাইরক্তবা, শঙ্গোম থোকপগী চাং হন্থরকপা, ফোং ফোং শাগৎলকপা, শোকপদা য়াম্না নাবা ফাওবা থেংনৈ। ষণবুনা নারিবা ষণবীদুগী শঙ্গোম শুমদোল্লগা য়েংবদা নাপু মচু মানবা অরাংবা মহী মরক্তা অঙৌবা মপং মচেৎ মচেৎ য়াওবা থেংনবীগনি।

**অনীশুবদা, খরা হন্থবা/তপথবা মওংগী লায়ওং :**

লায়নাসি খংহৌ হৌরকপদি নত্তে, শঙ্গোম শুম্না শুম্না নারক্কনি। শঙ্গোম শুন্বা মতমদসু ষণনীদু বেরা তৌবা থেংনগনি। শঙ্গোম থোকপগী চাং হন্থগনি। চাবা থকপদা থোইদোক্লা অকায়বা লৈতে ষণবুনা অহানবা শুন্বা শঙ্গোমদুদা মপং মপং মচেৎ মচেৎ য়াওবা থেংনগনি মতুং তাবদা শঙ্গোমগী মুচ্দু নাপু মচু মাল্লপ তৌবা নৎত্রগা ঙাংলৈননা উগানি। হায়রিবা মতমসিদা শঙ্গোম থোকপগী চাংদি হান্নদগী হন্থরক্কনি।

লায়নাসিগী লায়ওংদি থোইদোক্লা চিকপা নাবা লৈতে য়াম্না তপ্না মতম চঙনা মখোমগী শরুক খুদিংমক খজিক খজিক চাওখৎলকপা উগনি। মসিদসু নত্তনা শঙ্গোম থোকপগী চাংসু অসুম অসুম হন্থরক্কনি। শঙ্গোমগী মুচসু নাপু মচু ওইরকই। করিগুম্বা মতমদা মপং মপং নৎত্রগা অঙৌবা মচেৎ মচেৎ য়াওবসু থেংনৈ। শঙ্গোমগী মনমসু নমথীরকই চৈনাখোল য়াওদনা তপ্ন-তপ্না খোম অমদি খোমজিনশিং চাওখৎলকই অমদি শঙ্গোম থোকপগী চাং হন্থরকপসিনা ষণবীদা খোমদা হৌবনি হায়না লৌবা য়াই।

লায়না খঙদোকপা অমদি ঙন্না লায়েংবীহৌবা :

ষণবুশিংনা মশাগী ষণবীশিংদু মতম অয়াম্বদা নীংথিনা শেন্নবীগনি। খোমদা হৌবগী লায়ওংশিং অসি নীংথিনা খঙজিনবীদুনা হেক হৌরকপগা খঙদোকপা য়াম্না মরুওই। লায়ওংশিংদগী লায়না অসি নারে হায়বা খরমখৈ খঙলবসু চপ চানা খঙদোক্লবগীদমক শঙ্গোমদু খোমজিন মরীদগী তোঙান তোঙানবা পাত্রদা মশক খঙনা হাপ্পীদুনা শঞ্জেনথোংদা লৈরিবা দি আই লেবতা চাংয়েং তৌবীগনি। করিগুম্বা ষণবুদুগী ষণবীদু খোমদা হৌদুনা নাবা তারগদি য়াম্না ঙন্না লায়েংবীহৌগনি। অহানবা লায়েংগী ওইনা, ঈশিং অশাবনা হীগা য়ৈবীবা খ্বাইদগী ফৈ। শঙ্গোমশিং য়ারিবমখৈ লোইনা শুমদোকপীগনি। খোমজিন্দা অশোক-অপন য়াওরবদি লুম্বু লুম্বু শাবা ঈশিংদা এন্টিসেপটিক হীদাক হাপ্লগা চামথোকপীগনি অমদি খোমজিন খোমজিন্দা এন্টিবাইওটিক্স শীজিন্নবীগনি।

ঙাকথোক্লবা মরুওইবা চেকশিন থৌরাংশিং :

খোমদা হৌবসি মরু ফংনা মুখৎপদি ঙমদে। শা-ষণদা অতৈ অতোপ্পা লায়না কয়াদগী ঙাকথোক্লবা অমদি নারক্তনবা মতম মতমগী ওইবা টিকা থানৈ অদুবু খোমদা হৌবগী ওইনদি মসিদগী ঙাকথোক্লবা নৎত্রগা নারক্তনবা অকক্লবা টিকা লৈতে। মরম অসিনা ষণবুশিংনা লায়না অসিদগী নারক্তনবা চেকশিন থৌরাং লৌবীরগদি লায়না অসিদগী ঙাকথোকপা ঙমই। চেকশিন থৌরাং লৌবীনবা মখাদা থমজরি :

১) ষণগোল অমদি অকোয়বগী মফম পূম্নমক নীংথিনা লু-নান্না থন্বীগনি।



২) শঙ্গোম শুমদ্রিঙৈ মমাঙদা শঙ্গোম হাপকদবা পাত্র খুদিংমক শেংদোকপীদুনা থন্বীগনি।

৩) শঙ্গোম শুন্বীগদৌরিবা মীদুগী মখুৎ মশা শেংনা হামদোকপীগনি অমদি অনানবা ফিরোল শেৎপীগনি।

৪) শঙ্গোম শুমদ্রিঙৈ মমাঙদা ষণবীদা পল্লিবা অমোৎ-অকায় পূম্নমক তৈথোক চামথোকপীদুনা লু-নান্না থন্বীগনি।

৫) শঙ্গোম শুমদ্রিঙৈগী মমাঙ অমসুং মতুংদা খোমজিন্দু এন্টিসেপটিক য়াওবা ঈশিংনা শেংনা চামথোকপীগনি।

৬) শঙ্গোম শুমদ্রিঙৈ মমাংদা খোমজিনশিংদু ঈশিং অফবনা শেংনা চামথোকপীদুনা অনানবা ফী অমনা শেংনা তৈথোকপীদুনা থন্বীগনি।

৭) শঙ্গোম শুন্বা মতমদা শেংনা অমদি লোইনা শুমদোকপীগনি। করিগুম্বা অনাবা খোমজিন য়াওরগদি মদু অতোপ্পা পাত্র অমদা ইকোন কোন্না শুমদোকপীগনি।

৮) খোমজিনশিংদু য়ারিবমখৈ চেখাইবা/তৎপা/শোক-পনবা থোকহনবীরোইদবনি। মসিনা হয়িং তোংবগী চাং ৱাংহন্দুনা খোমদা হৌহনবদা অচৌবা মতেং পাংই।

৯) ষণবুশিংনা য়াম্না তোয়না য়েংশিনবীবা দরকার য়াম্না লৈ। লোয়ননা শঙ্গোমগী মুচ্দু অওনবা লাকপা উরগদি মনাক নকপা ডোক্টর অমগা তানবীদুনা মতম চানা লায়েংবীগনি।

১০) ঈশিং য়াম্না তুংনা লৈবা মফম অমদি হয়িং মরাং কায়বা ষণজাবুংদা শজিক চাহনবীরোইদবনি।


১১) ষণবীনা মখোম খাইখ্রবা মতুংদা খোমদা হৌরক্তনবা খোমজিন খুদিংদা এন্টিবাইওটিক্স কাপ্পীগনি।


১২) অশোক অপন য়াওবা খুদিংমক খুদক্তা হীদাক লাংথক শীজিন্নবীদুনা লায়েংবীগনি।


অসুম্না ষণবুশিংনা মশাগী ষণবীশিংদু খোমদা হৌবগী লায়ওং নীংথিনা খঙহৌবগা লোয়ননা ঙন্না লায়েংবীহৌরগদি অমাঙবা কয়াদগী ঙাকথোকপা ঙমগনি। মসিদসু নত্তনা শঙ্গোম অমদি ষণশিং লু-নান্না থন্বীবা দরকার লৈ। মসিদতা অফবা শঙ্গোম পুথোক্তুনা হেন্না শেন্দোং লৈবা ঙমগনি।

# নুংশিৎতগী শ্বর হোনবা ঙস্বা মরুওইবা ঙাশিং য়োকপা

ডা: যূম্নাম বেদজিৎ সিংহ







**নুংশিৎতগী** শ্বর হোনবা ঙম্বা ঙাশিং হায়রগা ঙাক্রা, ঙাচিক, ঙামু, উকাবী, ঙাক্রিজৌ, পোরোমনচিংবা ঙাশিং অসিবু খঙনৈ। রৌ, কতলা, ম্রিগল, সিলভর কার্প, নাপিচাবীনচিংবা ঙাশিংদি ঈশিংদা য়াওবা ওক্সিজেন শীজিন্নদুনা শ্বর হোনলি তৌইগুম্বসুং নুংশিৎতা য়াওবা ওক্সিজেন শীজিন্নদুনা শ্বর হোনবা ঙম্বা ঙাশিং অসিদি ঈশিং মনুংদা খক্তা নত্তনা ঈশিংগী মপান্দসু শ্বর হোনবা ঙম্মী। মরম অদুনা হায়রিবা ঙাশিং অসি ফাগৎলবা মতুংদসু কুইনা হিংবা ঙম্মী। হায়রিবা ঙাশিং অসি চাবদসু য়াম্না হাওই অমদি ন্যুত্রিটিভ ভেল্যুসু য়াম্না ৱাংই। নুংশিৎতগী শ্বর হোনবা ঙম্বা ঙাশিংগী মনুংদা মীয়াম্না য়াম্না পাম্না মফম কয়াদা য়োক্লরিবা ঙাশিংদি ঙাক্রা, ঙাচিক অমদি উকাবীনি। হায়রিবা ঙাশিং অসি ওক্সিজেনগী চাং নেম্বা কার্বোনদাইওক্সাইদকী চাং ৱাংবা ঈশিংদসু হৈনবা মরম্না কার্পস হায়বদি রৌ, বাও অমদি ম্রিগলনচিংবা ঙাশিং য়োকপা য়াদবা ঈশিংদসু য়োকপা য়াই। নুংশিৎতগী শ্বর হোনবা ঙম্বা ঙাশিং অসি হেমোগ্লোবিনগী চাং য়াম্না ৱাংনা য়াওবা মরম্না মশা শোনবা মীওইশিংনা চাবদা য়াম্না কান্নগনি। নুংশিৎতগী শ্বর হোনবা ঙম্বা ঙাশিং অসি অয়াম্বনা ঙা মখল অমমমতং হায়বদি পুখ্রি অমদা ঙাক্রাখক্তমক য়োকপা, পোরোমখক্তমক য়োকপা নৎত্রগা উকাবী খক্তমক য়োকপা অসিনা হেন্না ফৈ তৌইগুম্বসুং পূন্না য়োকমিন্নবা য়াবা থৌওং কয়াসু লৈরি।

**ঙাক্রা, ঙাচিক অমসুং উকাবী পূন্না য়োকমিন্নবগী থৌওং :**

ঙাক্রা, ঙাচিক অমসুং উকাবী য়োকপগীদমক্তদি পরি ০.০১-০.১ চাওবা পুখ্রিনা খ্বাইদগী হেন্না ফৈ অমদি পুখ্রি অদু Earthen/Stone pitched/Cemented tanks ওইবা য়াই।

মথক্তা পনখ্রিবা ঙাশিং অসি নোংজু পান্থাদা লৈরাই কারগা চৎকনবা মরম্না লৈবাক্কী পুখ্রি ওইরবদি সেন্টিমিটর ৬০ দগী ৭০ ৱাংবা ৱাগী ফক্লোংনা খাগৎপীগদবনি। ঈশিং অমসুং লৈবাক লৈহাও ফগৎহন্নবা ষন্থি, ওকথি, য়েন্থি, কম্পোষ্টনচিংবা শীজিন্নবা য়াই। ষন্থি শীজিন্নবা তারবদি পরি অমা চাওবা পুখ্রিদা কিলোগ্রাম ৫০০০ দগী ১০,০০০ ফাওবা চহী অমদা শীজিন্নবীগদবনি। করিগুম্বা য়ুরিয়া অমদি এস এস পি শীজিন্নগে হায়রবদি য়ুরিয়া কিলোগ্রাম ৬০ অদুগা এস এস পি কিলোগ্রাম ১০০ পরি অমদা চহী অমদা শীজিন্নগনি। শুনু কিলোগ্রাম ২৫০ দগী ৩০০ ফাওবা চহী অমদা পরি অমা চাওবা পুখ্রিদা শীজিন্নগনি। পরি অমদা ঙা মচা চাওরাক্লা গ্রাম ৫-১০০ লুম্বা মশিং ৫০,০০০-৭০,০০০ থাদবা য়াই। মচিঞ্জাক পীজবগী চাংনা পুখ্রিদা লৈরিবা ঙাগী অরুম্বগী চাদা ৩-৫ নোংমদা পীজবীগদবনি। ঙাগী মচিঞ্জাক অসি চেংকুম, থাউথি অমসুং ঙা মকুপ (Fish meal/trash fish) য়ানশিন্দুনা শেন্বীবা য়াই নৎত্রগা পেলেটেদ ফিদ হায়বদি মপান্দগী পুশিল্লকপা অশেন্বা মচিঞ্জাক পীজবীবা য়াই। অসুম তৌদুনা চহী অমদা পরি অমদগী ঙা কিলোগ্রাম ৩০০০ দগী ৪০০০ ফাওবা পুথোকপা ঙমগনি।

মতাং অসিদা পঞ্জনিংবা অমদি নুংশিৎতগী শ্বর হোনবা ঙম্বা ঙাশিং অসি ঈশিংদগী ফাগৎলবসু কুইনা হিংবা ঙম্মী হায়দুনা কুইনা থল্লগা শিরবা মতুংদা চারবদি মহাও য়াম্না মাঙই মরমদি শিদ্রিঙৈদা য়াম্না ৱাহন্দুনা এনর্জি য়াম্না চৎহনখিবননি। ঙা পূম্নমক শিদ্রিঙৈদা য়াম্না ৱাহল্লবদি মহাও মাঙই তৌইগুম্বসুং নুংশিৎতগী শ্বর হোনবা ঙমদবা ঙাশিংদি ঈশিংদগী ফাগৎপগা ইকুই কুইদনা শিখিবা মরম্না য়াম্না ৱাহৌদে তৌইগুম্বসুং নুংশিৎতগী শ্বর হোনবা ঙম্বা ঙাশিং অসিদি ঈশিংদগী ফাগৎলবা মতুংদসু ৱাহল্লি। মরম অসিননি হায়রিবা ঙাশিং অসি শিরবা মতুংদা লৈবা পাম্নদ্রিবসি।

ঙাক্রা, ঙাচিক অমসুং উকাবীনচিংবা ঙাশিং অসি ঈশিং য়াম্না হাপত্রবসু মতম কুইনা হিংবা ঙম্বা মরম্না কৈথেলদা অহিংবা ওইনা ফংই অমদি মমলসু য়াম্না ৱাংই। মণিপুরদা কার্পস হায়বদি রৌ, বাও, ম্রিগল, নাপিচাবীনচিংবা য়োকপদা খুদোংচাদবা অদুগা ঙাক্রা, ঙাচিক অমসুং উকাবী য়োকপদি চান্নগদবা মফম য়াম্না লৈ। মরম অদুনা হায়রিবা ঙাশিং অসি য়োক্তুনা মণিপুরগী ঙাগী পোৎথোক হেনগৎহনবতা নত্তনা শেন্থোক লম্বীসু হেনগৎহনবা ঙমগনি। তৌইগুম্বসুং হায়রিবা ঙাশিং অসি য়োক্লিংই হায়দুনসু মচা ফংদ্রবদি য়োকপা য়াদবনিনা তঙাইফদনা মচা পুথোক্লবগী থৌরাংসু লৌখৎহন্নিংই।

# মণিপুরদা ষ্ট্রিট ভেন্দর এক্ট ২০১৪ চৎনহল্লু

থৌনাওজম মনোরঞ্জন

**ইন্দিয়াগী** অতোপ্পা ষ্টেটশিংদা মমাঙথক্তা চহী কয়া লিশাংশিৎনা ষ্ট্রিট ভেন্দরশিংগী ৱাথোক অসি থোক্তুনা লাকখি। ইন্দিয়াগী লৈঙাক্লা ৱাথোক অসিগী ৱারোইশিন অমা পুরক্লবা ষ্ট্রিট ভেন্দরশিংগী বিল অমা পুথোকখি। মতম অদুগী হাউজিং এন্দ অর্বান পোভর্টি এলিভিএসনগী য়ুনিয়ন মিনিষ্টর কুমারি শেলজানা ইং কুমজা ২০১৪ গী সেপ্টেম্বর ৬ তা লোক সভাদা বিল অসি পুথোকখি। ইং কুমজা ২০১৩ গী সেপ্টেম্বর ৬ তা লোক সভাদা অমসুং ইং কুমজা ২০১৪ গী ফেব্রুৱারী ১৯ দা রাজ্য সভাদা বিল অসি পাস তৌখি। ইং কুমজা ২০১৪ গী মার্চ ৪ দা বিল অসি ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্টকী অয়াবা ফংখি। লোয়ন-লোয়ননা ইং কুমজা ২০১৪ গী মে ১ দগী ষ্ট্রিট ভেন্দর এক্ট ২০১৪ হায়বসি জম্মু অমসুং কাশ্মীর নত্তবা ইন্দিয়াগী অতৈ ষ্টেটশিংদা চৎনবা হৌখি। অদুবু লাইবক থীবদি ঙসি ফাওবা হায়রিবা এক্ট অসি মণিপুরদা চৎনদনা লৈরি। মণিপুরদা মমাঙদা পাল্লম্বা লৈঙাক্লসু এক্ট অসি মণিপুরদা চৎনহল্লমদ্রে, হৌজিক হৌজিক পাল্লিবা লৈঙাক অসিনসু এক্ট অসি ঙসি ফাওবা মণিপুরদা চৎনহনদ্রি। মদুগী মহুৎতা পুং অসুক্তগী অসুক ফাওবা পোৎফম ফম্বা য়াগনি, পুং অসুক্তগী অসুক ফাওবা পোৎফম ফম্বা য়ারোই অমসুং মীনুংশি লৈতনা নোংজু-নুংশা অমসুং উফুল মরক্তা মথৱাই খুবাক্তা হাপ্তুনা লম্বীগী মতাইদা নোংমগী অফংবা খরা তিক্লগা, অশিৎপা খরা য়োল্লগা ইমুং-মনুং পুনবা, মচা-মশু থাক্লবা, মচা-মশু লাইরিক-লাইশু তমহন্নবা লুপা চান্মা চনিগী পোৎ য়োন্নবা হোৎনজরিবী ইচল-ইচে, ইমা-ইবেন অমসুং শুফম নোম্ফম খঙদবদগী ঠেলাগাড়ী ইন্দুনা লম্বীদা চুজাক কবোক, চুহিং, আইসক্রিম, নুপীগী অকে-অমৌগী পোৎ, লীক-কোন, মোজানচিংবা য়োঞ্জরিবা ইনখৎলক্লিবা নহারোলশিংগী মপোৎ-মচৈ কাওখায়দুনা, চাখায়দুনা অমাঙ-অতা থোকহল্লি। মসি লৈবাকমচা তাবগী থৌওং নত্তে।

মণিপুরদা মমাঙদা অকক্লবা ফুরুপ অমখক্কী মমিং পল্লগা কৈথেল শাখিবা লৈখিব্রা ? পাউখুম লৈতে, অদু ওইরবদি হন্দক মণিপুরদা চীংমীগী কৈথেল, মুস্লিমগী কৈথেল শাগনি হায়বসি তাবদা য়াম্না ৱাই। চিন্দনা ঐখোয় অমতনি হায়বা তৌথোরকপদনা অমা তৌবসিবু রাজনিতিৱালাশিংগী মচৎলা ? করিগুম্বা মীটিং নৎত্রগা ফঙ্কসন অমদা ঐখোয়গী লূচিংবশিংনা ৱা ঙাংথোরকপদা ইন্দিয়ন কনষ্টিট্যুসনদা করম করম্বা এক্ট য়াওরিবগে হায়বগী ৱাখল লৈতবদৌনা ৱা ঙাংথোরকপসিদি য়াম্না লাইবক থীবনি। অদুগা ৱাফম অমনা মায়কৈ অমখক্কী ৱা তারগা থবক তৌবসিদি লূচিংবা অমগী মগুন নত্তে। লম্বীদা পোৎ য়োনবদগী শঙ মনুংদা ফমদুনা পোৎ য়োল্লিবশিংগী পোৎ শিৎতরে হায়বসিদি ইশা ইতোমতগী খনবা ৱাখল্লোন অদুনা হায়হনবনি। ঐ খক্তা হিংগে হায়বগী ৱাখল্লোন অসি ঐখোয় থাদোকসি। তাইবং মীওইবা ঐখোয়সে পূন্না হিংমিন্নদ্রবদি হিংবা ঙমদবা জীব মখল অমনি। ঐখোয় ইংনা চিক্লা নুংঙাইনা পূন্না হিংমিন্নসি, ঐখোয় পূম্নমক্কী পোৎ লোইনা শিৎকনি, ৱাবীরুগনু পেন্থোকপা তম্বীয়ু। মী য়ামখৎলকপা অমসুং চাউখৎলকপগী মতুংইন্না অহোংবা লাকই। মণিপুরদসু সোপ্পিং মোল মচা মচা থোরক্লে। সোপ্পিং মোল অচৌবা হায়বসি মথোন মথোন লৈবা অচৌবা বিল্ডিং অমদা লৈবা কৈথেল, ঐখোয়গী খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলগুম্বনি। ঐখোয়গী খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলদা লৈনিংবা পোৎ ফংবগুম অচৌবা সোপ্পিং মোল অমদা ঐখোয়না পাল্লিবা পোৎ খুদিংমক, য়েৎতুম অমদগী ৱাশিং মেছিন ফাওবা, ইনশাং-নাপী, ঙা-চাক লোইনা লৈবা ফংগদৌরিবনি হায়বসি মীয়াম্না খঙনরবা ৱাফমনি। অদু ওইবা তারবদি অচৌবা সোপ্পিং মোল থোরকপদগী খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলদা পোৎ শিৎতরে হায়দুনা লৈঙাক্লা মণিপুরদা অচৌবা সোপ্পিং মোল চলাইবা য়ারোই হায়না থিংবীগদৌরিব্রা ? মমাঙঙৈদা খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলদা দুকান কয়া লৈরম্বগে ? হৌজিক কয়াম লৈরবগে ? মণিপুরদা কৈথেল কয়া লৈরম্বগে ? হৌজিক কয়াম লৈরবগে ? মমাঙঙৈদা মণিপুরদা ওটো কয়া লৈরম্বগে ? হৌজিক কয়াম লৈরবগে ? চহী কুন্দলোমগী মমাঙদা মণিপুরগী মীশিং কয়ানো ? ঙসিনা মণিপুরগী মীশিং কয়ানো ? থমজনিংলিবা ৱাফমদি মী য়ামখৎলক্লবদি থবক ফংলরোই হায়বসি ঐখোয়গী অরানবা ৱাখলনি, মী য়ামখৎলকপগী মতিক থবকসু য়ামখৎলক্কদৌরিবনি, হীদান্নবা খরা হেনগৎলকপগী ৱা খক্তনি।

মমাঙদা পাল্লম্বা লৈঙাক্লা অরিবা ইমা কৈথেল অহুম অদু শিদোক্লগা নৌনা শাখিবদু য়ুহা হাবদা অকোয়বদা লৈরিবা চহী য়াঙ্খৈ হেল্লবা য়ূমশিংদি নিংখায়দ্রগা, কুমজা ২০১০ দা শঙ্গাখিবা, য়ুহা হাবদা নিংখায়খিবা কৈথেলশঙ অহুমসি শাবা লোইদ্রিফাওবা হান্নগী ইমা কৈথেল অহুমদা পোৎফম ফল্লম্বা ইমা-ইবেন, ইচল-ইচেশিং মতম খরা পোৎফম ফমহন্নবা মমাঙঙৈদা লৈরম্বা দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল শিদোকখ্রগা মতম খরগী কৈথেল শঙশিংসি শাগৎখিবনি। অনৌবা কৈথেলশঙ অহুমসি শাবা লোইখিবদগী ইমা-ইবেন, ইচে-ইচলশিং মাগী মাগী পোৎফমদা ফমখ্রবগী মতুংদা, মমাঙগী মথোং হুক্তবা লৈঙাক্লা নাগামপাল লম্বীদা, উরিপোক মচিন্দা অমসুং চৈরাপ কোর্টকী মমাঙদা শারম্বা কৈথেল শঙশিংদা ফল্লম্বা পোৎফম ফম্বীশিং অমসুং খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলগী অকোয়বদা লৈরিবা লম্বীশিংদা পোৎফম ফল্লম্বা লোইনমক মতম খরগী কৈথেল শঙশিংসিদা পোৎফম ফমহনখিবনি। মসিনা ষ্ট্রিট ভেন্দরশিংগী ৱাথোক লোইশিল্লব্রা হায়বদি নত্তে। হৌজিক হৌজিক খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলগী অকোয়বদা লৈরিবা লম্বীশিংদা পোৎফম ফল্লিবা ষ্ট্রিট ভেন্দরশিংসি অমুক নৌনা থোরকখিবনি। থমজনিংলিবা ৱাফমদি হৌজিক হৌজিক খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলগী অকোয়বদা পোৎফম ফল্লিবা ষ্ট্রিট ভেন্দরশিংসিগী মফম অমা পীদুনা পোৎফম ফমহনখ্রবসু, অতোপ্পা অনৌবা ষ্ট্রিট ভেন্দর ময়াম অমা অমুক থোক্লকখিগনি। মণিপুরগী লৈঙাক্লা মণিপুরদা ষ্ট্রিট ভেন্দর থোক্লক্লিবা খুদিংগী মফম পীদুনা পোৎফম ফমহনবা ঙম্বীগদৌরিব্রা ? মসিদি ওইথোক্তবা ৱাফমনি।

ষ্ট্রিট ভেন্দর এক্ট ২০১৪ হায়বসি ইন্দিয়াদা লৈরিবা ষ্ট্রিট ভেন্দরশিংসি মফম চাবা য়েংলগা মীয়ামগী ওইবা মফমশিংদা পোৎফম ফমহন্নবা অমসুং মখোয়গী হকশিং ঙাক শেন্নবা শেমখিবা এক্টনি। এক্ট অসিনা ষ্ট্রিট ভেন্দরশিং অসি মীয়ামগী ওইবা মফমশিংগী, মফম চাবা মফমশিংদা হায়বদি পার্ককী অকোয়বদা ওইবা য়াই, লম্বীগী শরুক খরদনি খঙদে, ফুটপাথতা ওইবা য়াই, মহৌশাদগী লৈরক্লবা কৈথেলগী অকোয়বদনি খঙদে, ৱেটিং সেদ মনাক্তনি খঙদে, মীয়াম্না চৎথোক-চৎশিন তৌবদা থোইনা অকায়বা পীরোইদবা মফমশিংদা লাইসেন্স পীদুনা পোৎ য়োলহনগদবনি হায়রি। করিগুম্বদা ষ্ট্রিট ভেন্দরশিংনা পোৎ য়োল্লিবা মফমশিংদু মফম চারক্তবদি মখোয়বু মফম চাবা মফমদা হোংদোকখিনবা য়ামদ্রবদা থা অমগী মতম পীগদবনি হায়রি। মণিপুরদা খ্বাইরম্বন্দ কৈথেল অমসুং অকোয়বা খক্তদা ষ্ট্রিট ভেন্দর ৩০০০ দগী হেন্না লৈ। ষ্ট্রিট ভেন্দর ৩০০০ দগী হেনবসি মীতৈ খক্তা নত্তে। মসিদা মীতৈ পাঙল, নাগা, কুকি, কোম অমসুং মপান্দগী লাকপা অতোপ্পা ফুরুপ কয়া অমসু য়াওরি। অসুক য়ামখ্রবা মীওইশিং অসিনা য়ু য়োন্দনা, দ্রগ অমসুং গুলি য়োন্দনা, ওক্তবা অমসুং ওক্তবীগী লীচৎ চৎতনা অচুম্বা পান্বে শীজিন্নদুনা পুন্সিগী লান থেংনরিবসিদা মণিপুরদা লৈরিবা মীপূম খুদিংমক্লা মখোয়বু মতেং পাংফম থোক্ত্রা ? ষ্ট্রিট ভেন্দর ৩০০০ দগী হেনবসিগী, ইমুং ৩০০০ দগী হেনবা লৈরিবনি, মরম অদুনা লৈঙাক অসিনা তরাই তরাই লৌবীগনু। মখোয়সু মণিপুরগী মীচম মীয়ামনি হায়বসি কাউথোকপীগনু। মরম অদুনা মণিপুরদা ঙসি ঙসিমক পাল্লিবা লৈঙাক অসিনা ষ্ট্রিট ভেন্দরশিংগী ৱাথোক অসি চাওথোক্ত্রিঙৈদা অথুবা মতমদা মণিপুরদা ষ্ট্রিট ভেন্দর এক্ট ২০১৪ চৎনহনবীয়ু।